# কোমেদি অমদি এক্সননা থল্লবা ফিল্ম 'লাইবক ফবা'

একেন সিজগুরুময়ুম

মণিপুরি ফিল্মগী খোঙচৎতা কোমেদি ফিল্ম কয়া পুথোক্লরক্লি। অনৌবা কয়া অমসু পুথোক্লবা ফিল্মগী চেন চোংলিবা দিরেক্টরশিংনা খুৎ থানবা মায় ওনশিন্দুনা লাক্লি। মায় পাকখ্রবা কোমেদি ফিল্ম অমা হায়রগদি হোমেন দি ব্রাইনা পুথোকপা পেনু লৈমা ফিল্মসকী ডাঃ হেমোগী হেলোইনি। মসিগী মখা তারকপদা ও গৌতম্না দিরেক্সন পীবা বেরাগী বোম হায়বা অসিসু মীয়ামদা মায় পাক্লা উৎখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা



কোমেদি অমদি ট্রেজেদি পুনবা ফিল্ম অমা ওইনা ভি দি এফ থাসনা অমুকসু ও গৌতমগী দিরেক্সন মখাদা মায় পাক্লা পুথোকখ্রে। অনৌবা দিরেক্টর অমা ওইনা চাংয়েং তৌবগা লোয়নননা মশামক্লা সিনেমাতোগ্রাফরসু ওইরিবা অতেননা পুথোকপা লাইবক ফবা হায়বা কোমেদি অমদি এক্সন ফিল্মদা য়ুম্ফম ওইবনি 'লাইবক ফবা'। ফিল্ম অসি চেংবা ফিল্মসকী অহানবা ওইনা পুথোকপা অদুগা চাইবীনা প্রজেন্ট তৌবা জুম অপ তৌবদা জক খরা লৈনা উই। মসি মতুংগী ফিল্মশিংদা থোক্তনবা হোৎনবা চুমগনি । অয়াম্বা মতমদা মিদ সোট অমদি ক্লোজ অপতা সুট্টিং তৌবা ফিল্ম অমসুনি। ফিল্ম অসিগী হেরো ওইরিবা সদানন্দগী সিন অসি এক্সন ফিল্মগী মতৌ নত্রবসু ফিল্ম অসিদা হাপ্লিবা সিন খরা অদুনা হেক উৎপদা খৎনবগী সিনগুম্বা ঙাক্তমক উৎলি। মসিনা ফুল এক্সন ওইবা ফিল্ম অমনি হায়বদি অদুনা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমসুনি।

নাকল অমরোমদা নেগেটিব রোলদা এক্ট তৌরিবা নিরঞ্জননা ইরাই লৈমবু পামখি। ইরাই লৈমদি থৌঙম্বা (সদানন্দা) গা নুংশিনখি। মসিনা মরম ওইদুনা নিরঞ্জননা মেরিনাবু ফাদুনা পুখিবা অমদি মখোয়বু লৌথোক্লুনবা হোৎনবদা য়াওখিবা এক্সনগী শরুক খরা অদুনি। ফিল্ম অমসুনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি হুইরেম মঙলেম, হেপি রাজেন, সুরমঙ্গল, ব্রজলাল, তাতেম্বা, কবি, নিরঞ্জন, সদানন্দা,মেরিনা, জেনি অমদি দেবলানচিংবনি।

ফিল্মগী ব্রারি অসি থোইদোকপা ব্রারি অমদা শাগৎপা নত্রবসু কোমেদি ওইনা মীয়াম্বু নোকহন্নবা শেম্বনা ফিল্ম অসিদা হেরো হেরোইনগী থৌদাং লৌরিবা মেরিনা অমদি সদানন্দগী মতাং থোইনা য়াওদে। অয়াম্বা মতমদা ফাগীদা য়ুম্ফম ওইদুনা মঙলেম, দেবলা, হেপি রাজেন, জেনি, ব্রজলাল, সুরমঙ্গলনচিংবশিংগী ওইনা পিকচরাইজেসন তৌই। ফিল্ম অসিগী ঈশৈগী মতাং অমদা সিনেমাতোগ্রাফরসু ওইরিবা অটেননা য়াদবনিনা কোমেদি অমদি এক্সন অনী অসি তোৎশিন্নরগা শেম্বা ফিল্ম অমা ওইরবসু ফিল্মগী অয়াম্বা শরুক্তি কোমেদি রোমদা পুশিন্নবা হোৎনরি।



থব্রান কৌবা মচা ৬ লৈবা অহল অমগী মচা ৬ কী মমিংনি নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা, য়ুমশকৈশ, শগোলশেন অমদি ইরাই (মেরিনা) হায়রিবী নুপীমচা অসিগা। মচা ৬ অসিসু পাখঙ লৈশাবী ফারবা ঙাক্তনি। ইরাইগী মমান্নবী লৈহাওদা মবুং ৫ না নুংশি হায়না ফোঙদোকখি। লৈহাওসু নুপা মঙা অসিনা কোয়বদা য়ারে হায়বা ব্রাফম থমখি। লৈহাওগী অপাম্বদি মচিন মনাও ৫ গী মনুংদা অমবু মহাক্কী বর ওইনা খনবা অদুনি। মসিদা থোক্লকপা নোক্লিংবা থৌদোকশিং





অসিগী মতাং খরদা ই দি টি ং দা চেকশিন্দবা খরা অ দু ম ক য়া ও ই ম সি নৌনা ফিল্ম অসিদা ইদিটর ওইরিবা মীওই অসিগী চেকশিনবা ব্রাৎপনি। সিন অনী জোইনিং তৌবদা মমাংদা হায়খ্রবা দাইলোগ অদু থংনবা সেকেন্দদসু চপ মান্ননা হায়রকপা অসিনা ফিল্ম অসিগী ইদিটিং অসি চেকশিনবা ব্রাৎলি হায়বগী মমি অমা তাই। ফুনবগী সিন খরদা এক্সন ওইনবা মাষ্টর সোট ওইনা নম্বা খরা য়াওই। মদুসু কেমেরা মুভমেন্ট অদু নীংথিনা মমুৎ তানা মহাক্লা তৌনিংলিবা মওং অদু খঙদনা পংহায়দা হায়বা অমা তৌরিবা অসি মতুংগী ফিল্মশিংদা থোক্তনবা চেকশিনবা চুমগনি। করম্বা এঙ্গলদা কাপ্লিংলিবনো হায়বসু নীংথিনা মমুৎ তাহন্দনা মথোং মরম খংদবা মওংদা পংলেংদা লেংবা অসিনা ফিল্ম অসিগী মগুন অসি হম্থহল্লি।

নাকল অমরোমদা ফিল্ম অসিগী নোকপা য়াবা মতাং নীংথিনা পীবা ঙমদবদগী নুপী অদুবু মচানুপা ৫ না ময়ুমদা পুরক্লবা মতুংদা মপা অমা ওইরিবা থব্রানদা মচা ৫ গী মরাইবক্তা করম্বনা লৈহাওগী মপুরোইবা ওইগদগে খনবগী মতাংদা মচা ৫ দা ব্রারি অমমম লিহনবা অদুসু ফজে অদুবু চেকশিনবা খিত্তং ব্রাৎপগী মমি তাই। মদু মমাংদা নোকফদে অমদি নোকচনিংদ্রা হায়বা কোমেদিগী ওইবা সেরিজ কয়াদা পুথোকখিবা অদুগা নকশিন্নবা মওংদা উবনা হায়রিবা নোকফদে অমদি নোকচনিংদ্রা হায়বা অদুদগী কোপি তৌবা মানবগী মমি অমসু তাই। পুন্নমক ওইদুনসু অহানবা ওইনা কোমেদি অমদি এক্সননা থল্লবা ফিল্ম অমা ওইনা পুথোক্লিবা দিরেক্টর অটেনগী হোৎনবদি মাংদ্রে হায়বা য়াই। ফিল্ম অসি থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফালগী পাউনা বজার ময়াইদা লৈবা উশা সিনেমাদা মীয়ামদা প্রেমিয়র সো উৎখ্রবা ফিল্ম অমনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফিল্ম অসি মীয়াম্না পাম্না য়েংনরি। অতোপ্পা ষ্টেসনশিংদসু ফিল্ম অসিগী মার্কেট ফংগনি। অতেনগী চাংয়েং অসিসু মায় পাকপা অমা ওইগনি।

অমরোমদা মণিপুরী ফিল্ম খরগা হন্দক্কী ফিল্ম অসিগা খেৎনবা হায়ববু ফিল্ম অসিদা লাইফ সাউন্দ খরা হাপ্পি, হাপ্লিবা লাইফ সাউন্দশিং অসি য়াম্না চেকশিনবা ব্রাৎপদগী দিরেক্টরনা এক্সন হায়না লাওবা অমদি মসিগী মখাদা করম্বা সিনগী সুট্টিং নমগদবনো হায়বা ঙাংনবা তাবা অসিমক সাউন্দ দবিং অমদি সাউন্দ ইঞ্জিনিয়ারশিংগী চেকশিনবা ব্রাৎপা অমনি হায়বা তাই। ফিল্ম অমা মপুং ফানবা হোৎনবদা ফিল্মগী মায়কৈদগী মীয়াম্না লেপ্লক্কদবা ব্রাফম খরা ফিল্মগী কম্পেনি নত্রগা বেনরশিংনা তৎতনা শিজিন্নবা ব্রাহৈ খরগী মনুংদা মেগা মুভি ওফ দি ইয়র, সুপর হিট ফিল্ম ওফ দি ইয়র, বেষ্ট এক্সন ফিল্ম ওফ দি ইয়র হায়বনচিংবা ব্রাহৈ কয়া অসি মণিপুরী ফিল্মশিংদা তৎতনা শিজিন্নবা থেংনদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা কনাগুম্বা দিরেক্টর খরনদি এ ফিল্ম বাই হায়বা ব্রাহৈ কয়া অসিসু শিজিন্নবা অদুমক থেংনৈ। মসি মাগী মাগী শিজিন্নবগী মওং মতৌ লৈরম্বা য়াই। অদুমওইনমক সুপর হিট হায়বা ব্রাফম অসিদি ফিল্ম কম্পেনি অদুনা লেপকদবা নত্তে, মসিগী বোক্স ওফিস্তা লাকপা অদুগী মতুং ইন্না চহী অদুদা ফিল্ম অদুদা কারক্লিবা ইনকম অদুনা তাকচগদবনি। অদুবু প্রেমিয়র সো উৎপদা ঙাইরিবা ফিল্ম অসিদা সুপর হিট কোমেদি ওফ দি ইয়র হায়না বেনরগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা অসিমদি মতুংদা তৌদনবা হোৎনবিয়ু হায়বা তাই।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*